ঙ্গ র ঙ্গ, মৈঙ্গাও মোংঙ্গোং । ই তাম্‌দা শিগে নিংকমবা

মৈঙ্গাংনচু খিল্লহৎতুনা শিগে য়াই ।

ত্র র ত্র, ত্রক, মৈত্রম্ । মীবু খক্ চাত্রে থোক্‌না হাইগনু ।

থ্র র থ্র, চাইথ্রক্‌পা, শিথ্রাই । মরু । মৈ অমসুং চি দোমদগী

চাইথ্রক্‌পা ইশিং য়েংবগা পেন্‌বা নংদে

দ্র র দ্র, চুমদ্রো, চাদ্রে । খংদ্রেবা মীবু খংননবা তাথাং যু ।

ফলা

ক্ল খ্ল গ্ল ঘ্ল ঙ্ল, চ্ল ছ্ল জ্ল ঝ্ল, ট্ল ঠ্ল ড্ল ঢ্ল ণ্ল, ত্ল থ্ল দ্ল ধ্ল ন্ল

প্ল ফ্ল ব্ল ভ্ল ম্ল, য্ল র্ল ল্ল শ্ল স্ল হ্ল ।

ম ম্ল, খোম্লবদি, চাম্লবা । তুম্লবদি অশিবগা পাংলকনি ।

ল ফুল্লো । তৌরবা থবক্ তল্লে হাইদুনা লোইদনা

তাক্‌পা হৌনদে ।

ফলা অমসুং র ফলা ।

ক র ক্র, ক্রাই, ক্রাকোম্ । ক্রাক মৈঙ্গবা লমদা লোংঙ মদুদা

লেংঙে ।

খ র খ্র, খ্রাই । খ্রাংদা ফী লোংনা মুগী তমদা

হাইনা, খংগনি ।

গ র গ্র, গ্রা চামক্রবগু য়া শোক্লুই ।

ঘ র ঘ্র, ঘ্রবো ইশিংপুক খঙ্কনু ।

নফলা।

ক্ন খ্ন গ্ন ঘ্ন ঙ্ন, চ্ন ছ্ন জ্ন ঝ্ন, ট্ন ঠ্ন ড্ন ঢ্ন ণ্ন, ত্ন থ্ন দ্ন ধ্ন ন্ন, প্ন ফ্ন ব্ন ভ্ন ম্ন শ্ন স্ন হ্ন ক্ষ্ন।

ন ন্ ন্ন. চন্নবা, কান্নবা, খেন্নবা। মরম্ ওক্লবদা চন্নদবা লৈতে।

প ন প্ন, তপ্না, কপ্না। তপ্না তপ্না তৌবা থবক্তি শিন্দি পাংদে
হাইববু থবক্তি চংখোল্লি।

ম ন ম্ন, যাম্না, ওম্না, শম্ন, পুম্নমক্। লম্মন্ মথাক্, লাইথুং
মথাক্ মৈগী মথাক্ লৈহৌরবাদি, মমৈম্না তুম্না মা ই।

্ম মফলা।

ক্ম খ্ম গ্ম ঘ্ম ঙ্ম, চ্ম ছ্ম জ্ম ঝ্ম, ট্ম ঠ্ম ড্ম ঢ্ম ণ্ম, ত্ম থ্ম দ্ম ধ্ম ন্ম,
প্ম ফ্ম ব্ম ভ্ম ম্ম, য্ম র্ম ল্ম শ্ম ষ্ম স্ম হ্ম ক্ষ্ম।

ম ম ম্ম, ইত্তোম্মতা, থুম্মুক্। ইতোম্মতা তৌগদবা থবক্
ইতোম্মতা তৌগনি।

রেফ (অর্কফলা)।

র্ক র্খ র্গ র্ঘ র্ঙ, র্চ র্ছ র্জ র্ঝ র্ট র্ঠ র্ড র্ঢ র্ণ, র্ত র্থ র্দ র্ধ র্ন,
র্প র্ফ র্ব র্ভ র্ম, র্য র্ল র্শ র্ষ র্স র্হ র্ক্ষ।

র ক র্ক, কর্কক ইন্‌শিন্না থবক্ তৌগনি।

র জ র্জ, থুর্জী পাইবদা শিগোল্ তোংবা হৈ হৈতে হেক্ মথাই।

র ক র্ক কোর্কু। কোর্কাল্ লাইরকোল্‌নি।

মতেং অমি তিন্নবা।

[illegible]

[illegible]

ঙ,   মীওয়োমগী অঙ্গিং। কুপদা তম্বা লাইরিক।

ঙ ক ঙ্ক, তঙ্কো। মঙ্গারকপদা কনাগী পুকনিং তবাহৌ?

ঙ খ ঙ্খ, লঙ্খো। শাঙ্গুনা লোং লঙ্খাইরম্দাইদা ঐ শাওর-সঙ্গাইনা রাখল্ তৌবদা মতিক্ ওই।

ঙ গ ঙ্গ, ঙ্গোল্, শঙ্খ। লুপাগী তেঙ্গোং, লৈপাক্কী তেঙ্গোং-ঙাঁই অতুল হাপ্পা ইশিং মহাও চংমাই।
পাজল্ লৈতবা মীবু পাংবিবা হৌন।

ঞ চ ঞ্চ, অঞ্চু, মঞ্চ। পক্কিরম্দাইদা নিংথাইগল্লি।

ঞ জ ঞ্জ, পাঞ্জল্, চঞ্জোল্। শাওরগা হাঞ্জিন্দুনা ফমফম্দা ফমহুনা রাখল্ তৌগনি।

ন ত ন্ত, কন্তক্, তেন্তক্। পেৎনা পেৎনা মন্তিক্নবা লম্হৎ থৎবনা হৌনদে।

ন থ ন্থ, তেন্থা, শেন্থা। কমুং মুমিৎ খুদিং কন্থোক্পা হৌনৈ।

ন দ ন্দ, মপান্দা, শন্দোক্পা। হন্দক্ তৌগদবা থবক্ হন্দক্ তৌখোক্উ।

ন ধ ন্ধ, শন্ধবা, নন্ধেল্। হন্ধা অতাংবা পোৎনি।

ম ব ম্ব, লম্বেল্, তৌম্বা। থারি শাহুনা চম্বলগা লম্বেল্ তৌল্লি।

ক্ষ ষ্ণ স্ক স্খ, শ্চ শ্ছ জ্ঞ জ্র ষ্ট ষ্ঠ ষ্ণ স্ত স্থ ম্প ন্ধ হ্ন ম্প
স্প স্ফ স্ম ব্ব হ্ব। স্ক গ্ন ম্ন ম্ফ ধ্ন ক্র ব্দ ড়গ ত্ত ক্ত গু ক্ষ।

ক্ ক ক্ক, থোক্কদবা, মথক্কী, মহাক্কী, তুক্কদবা, চুক্কদবা। মী অমবু থক্ তুক্কচবা হৌনদে।

প প প্প, কুপ্পোক্পা, চপ্পোক্পা, পপ্পবা, পোপ্পাবা। কপ্পা...
...প্পা মচেং তাদনাদি মইহেক্লি।

[illegible] প প্প, [illegible], [illegible], [illegible], [illegible]। [illegible] বৈত্রবা [illegible]
[illegible]

[illegible] লোটক্ক তোক্কে। [illegible] তোকবাং [illegible]

ত্ত ত্ত্ত, ফত্তবা, নত্তবা। ইত্তত্তনা তৌরবদা থবকনা খাংবা ওমদে।

প ত প্ত, তপ্তাবা খংদনা কদোউভেদস্থ হাইগনু।

মযেক অহুম্ তিনখ্রবা।

ঙ্গ্র ক্ত্র ঙ্ক্ষ ঘ্র ৰ্দ্ধ ন্ধ্র ন্ত্র ন্থ্র ন্দ্র ম্প্র ন্ত্র ষ্ট্র ক্র প্র ব্র খ্র।

ঙ গ র ঙ্গ্র, থঙ্গ্রা, মঙ্গ্রা, কঙ্গ্রাইবী। কোঙ্গ্রেংদগী মুক্তা থোক্‌ই।

ক ত র ক্ত্র, কল্লক্তি, পল্লক্তে। শ্রীবু কল্লক্তবদি তাইবংপানবা মপুনা য়াইফনবা শেম্বি।

প ত র প্ত্র, তপ্ত্রবদি চপ্ত্রে। চনিংনা তপ্ত্রবস্থ ইকাইবা নংই।

ন দ র ন্দ্র, পন্দ্রি, শন্দ্রি, ফুন্দ্রে। থবক্লা পন্দ্রিভেদা লোইনবা লাক্লগদবা ওই।

ন থ ব ন্থ্র, লিংজেল মায়রনা ককচেংনস্থ অচোবা তিন্থ্রাক পুন্থনা চৎলি।

ম প ব ম্প্র, চম্প্রা মশক থীরবস্থ মগুণ মৈবা মৈনি।

মহৈতম্বা।

হে অঙাং মচাশা ? লৈহা ওইরিভেদা নহে লৈথনা খুমোংনা ওইরিভেদা মহে তানগদবা অরেপ্পা মওসি। চাউমগাং অদুদা পুক্নিং অদু মহে তানবগী অরেপ্পা পেনবা লৈতে। অমা হৈবগা অতোপ্পা মহৈ অমস্থ খংদিংই, অদুমা খংবাগা অমুক্ মানুংনগী হিরম অমস্থ পায়কই। মতৌ অহুম তোঙনা মখাই [illegible] মহৈ [illegible] হৈনিংই। পুকনিং ময়োং মমোং লোংই [illegible] [illegible] হেৎলা ওমনদুনা তোক্কে; [illegible] মতম [illegible] [illegible] ওইবিরা [illegible] [illegible] লৈরি।

তৌরু তোরুবা থবক অদু হেকহেক থোপ্তা পাম্লগা, লাইনা থুনা খংবা ঙমই। অমহিকস্তুং নহা ওইরিবৈদা তৌরি তৌরিবা থবক্তা পুক্নুং অমত্তা ওইনা চংদুনা, থবক অদু লাইনা খংদুনা, লাইরিক্কচিংবা মহৈ লাইনা খংবা ঙমই। চিন্দা পুবা কাওবিদবা নহা ওইরিবৈ অদুনা হেন্নি; নহা ওইরিবৈদা হৈংগ্রবা মহৈ, খংদ্রবা থবক অদু অহল্ ওইরবা ফাওবা কাওবিদে। মরম্ অসনা, হে অঙাং মচাশা! নহা ওইরিবৈদা কন্না মহৈ তানবনা মাংক ওই।

লমচৎ ফজবা অঙাং মচাগী ৱারি।

পবিত্রগা মনাও নেত্রজীৎকা মখোই অনিগী লমচৎ তারবা ফুপ্পা নিপা অদুনা, মখোই অনিবু থাগতনা লৈবা য়াদে। মখোই অনিগী ফজবা লমচত্তি ওন্থোকপান; মুমিৎ খুদিংগী য়াকৈবা তম্স হৌদোকনবা নাইদে; অয়ুক ঙন্তা মুমিৎ থোক্লিবৈদা মদুনা মখোং মথুৎ হামদুনা মচিল ময়া শেংদুনা, চাগদবা খরদং চাবগা লাইরিক হেক ঔরাই। নেত্রজীৎনা ওঝাদা কৎনবা লাইরিক ই। পবিত্রসু পায়া ফারবা নেত্রজীৎনা লাইরিক ইবা লাইরবা মতুং অদুদা নেত্রজীৎনা পায়া ফাননবা ঔরাই, পবিত্রনা ওঝাদা কৎনবা লাইরিক ই।

মতুং অদুদা লাইরিকশিং তোন্না থাংথাং চপনাননা চৎমিন্নবা, লাইরিকশিং কারা মুমিৎ খুদিংগী চাং অদু খক্ কাইদে। নোংমা ... ববা নোংগা থেংবা থক্ নাইদে। পবিত্র অমত্তুং নেত্রজীৎ ... মখোই অনিনা খুংলবা মতম্ য়েংদুনা, ওঝাগী মড়াগী চাক্লি ... মনাও পায়া নিংথিনা পিদুনা ময়ুমদা ... ইরু নাই...

জতুনা, ঙাইহক্ লম্জাও থোক্তুনা শানরুরগা, তম্না হপ্লিলক্তুনা লাইরিক্ ঔরাইমিয়ে।

মখোই অনি নোংমতা খৎনদে, নিংঙাই শাংদানতুনা করিগুম্বা পোৎ অমতা মুম্নদে, লাইরিক্ তম্বা মমাম্নবগা য়ৈনদে, মীগী মপোৎ হুরান্দে, মীগী মপোৎ নমতুনা লৌদে। করিগুম্বদস্তু মীনম্বা য়া হাইদে, লৌনম্ তৌতুনা কনাগী পোৎ অমতা শোক্উদে। মশম্ মনা তরু তরুই, মচিন্ময়া তরং তরংই, মফী মরোন্ খক্ মোত্তে। মখোই অনিবু উরবদি মিৎ পেল্লি।

মহৈগী থৌরাং।

মহৈগী পাঙম্না ইংরেজনা খ্বাইদগী মকোক্ ওইরি। মহৈগী থৌরাংনা টেম্স তুরেন্গী লৈমুংদা সুরুং হুত্তুনা মমুংদা রেল্গাড়ী চংহন্দুনা, মথক্তা জাহাজ চংহল্লি। মহৈনা বেলুন্ (চেবোন্গুম্বা) চেংডুনা অতিয়াদা মুংঙাইনা ইংরেজ পাইতুনা কোইরি; মহৈগী থৌরাংনা ইংরেজনা লৈপাক্ পুম্নমক্ লৌশিল্লকই। মহৈগী থৌরাংনা থা তরুক্কী লম্বেল্ ঙাইহক্তদা চৎপা ঙমহল্লি। থাপ্খ্রবা লৈপাক্কী পাও টেলিগ্রাপ য়োৎথালনা মিকুপ অমতদা তাহল্লিবা মহৈগী থৌরাংননি। অশিবা পোৎ মিকুপ পুংজা [illegible] মরোন্ লাহল্লিবা ঘড়ী অসিসু মহৈগী থৌরাংননি। ওন্থোক ওন্থোক্পা ঙমদ্রবা থবক্ মহৈনা লাইনা লাইনা ঙমহল্লি। মহৈ হাইবা অসি মমল্ নাইবা পোৎ নত্তে। কথোক্ কথোক্লগা লৈহৌবদা লৈহৌরক্পা মহৈ হাইবা লল্লি। হৈত্রবদা চম্নবা মফম্ লৈত্রবা মহৈনি। মঙৈ অস্থম ওইবা. মহৈবু তমগে শিংত্রবা মী অতৌবা হাইবা অরেম্বনি।

মরুপ।

মহৌশাগী লমচৎ হাইবা অসি য়াম্না ফল্লি, অদুম ওইনমক মরুপ তিন্নখিদুনা মরুপ অদুদগী তম্নরুবা সাক্সিনা অদুস্থু কন্দবা নত্তে। মহৌশাগী লমচৎ অদু হোংদোকখিদুনা তিন্নরুবা মরুপ অদুগী লাইনা পকই। মরুপ্না লৈখা তাই, মরুপ্না লাইরৈপাক্ য়েনৈ, উগা মরুপ ওইদুনা অরূপ্পা য়োৎপু (য়োৎপি) ইশিংদা ইলাই লাইমা তাওই। হুরানবগা মরুপ ওইরগা হুরানবমক্ য়াওরুদ্রবস্থু লেপ্‌উবদি ময়াওরে।

শনাবু ফুদোংলগা কৈ ফত্তে থংবা ঙম্ই। অরাবদা তারবদা মরুপ্নি মরুপ্ নত্তে হাইবা থংবা ঙম্ই। অমুক্ সুমিদাং ইতাও ইতাও হাইদুনা, লৈমিন্নরিবা অসি অরাবদা তারবদা মরুপকী অরেপ্পা থংবা ঙম্ই। অসুম্ তৌদুনা থংখ্রবা মরুপ ফজুতবু অরেপ্পা মরুপ কৌই। মরম্ অসিনা মতম্ লৈবা খাবক্তা অরেপ্পা মরুপ খন্দুনা মরুপ লিংউ।

মীনম্বা।

মীনম্বা হাইবা অসি মাংনবগী মরুনি। মৈবু ফীনা কুপ্তুনা থম্বা য়াদে থুনা চাক্তুনা মৈ লৈ হাইবা ফোংদোক্লকই। অদু-গুমদুনা মীনম্বা অদু কদৌঙৈদস্থু কুইনা থুপ্তুনা থম্বা য়াদে। মীনমদুনা ঙাইহক্ ওইজবা অদু অমাংবগা মর্শাক্লি, মীনম্বা অদু ফোংদোক্লক্তুনা মাদু মেন্নবদা হান্নগী অরিবা য়েনা মাংখি।

ইনাক্‌খুন্দুনা, মহৈ হৈদুনা, অচৌবা শাগৈদা পোক্চরক্তুনা মীয়ামগী মকোক্ ফমজখ্রবা অদু, মীনম্বনা মাংগী লৈত্তেং [redacted] অদুবু পুম্মাং মাংহল্লি। মীনমই হাইবা অমুক্তং থংখ্রবদি

মপোক অতুমা মাবু তমুক্ থাজবা হাইবা অসি লৈত্রে। অচৌবদা চংজরুরে মাইথীরকই, মশাদা লৈবা মীদা হাইজররে উশিৎ-পিরমদে। গোং গোং খুদিং কপ্তুনা চংতুনসু মীনম্ববু কনানসু মুংশিবিরমদে। অহিং মুংথিল্ মং তাইবংদা য়েনা মীনম্বা ঙাকউ।

অরেপ্পা।

মীগী মশাদা অরেপ্পা ব্রামা মতম লৈবা খিবিক্তা ঙাক্লৌ ওইরে। মহৈ হৈবা, মরল্ লৈবা, শাগৈ জাৎ ফবা, মশক্ ফজবা, ফাজেৎ নানবা অমসুং অচৌবা ফম ওইবনা অওইনা ব্রা, হাইবা মীবু নমথেক্তুনা করিসু ফজবা হেন্দে। হাইনখ্রবা ব্রা, থানখিবা মুমিৎ, লেপ্পখ্রবা থবক, পিগে হাইখবা পোৎ, কদৌঙেদসু গোংনফদে।

য়েংউ দশরথ নিংথৌনা মথব্রাই থাখিবা, মথবাইবু হেন্‌বা মচা রামচন্দ্রবু উমংদা শীখিবা, অমসুং পাণ্ডব মপ্পামক দ্রৌপদীগা লোইননা বিরাট নিংথৌগী মনাই ওইরুবা আস পাম্নমক য়ানখ্রবা অওইবা বাগী ইকাইখুম্নবা ঙাক্কে হাইবগী দমক্লে। অরেপ্পা হাইবা অদুবু লৈত্রবদি, মপী লৈত্রবা শম্নাও, মরু লৈত্রবা উগা অঙ্গানে। মশা তদু অপ্পাওবগী পান্দম শুমগে। মাগী মশাদা লৈনফম লৈতে, হাইনফম থংদে; নহা ওইরিঙৈদগী হম্বুরবা ফাওবা অরেপ্পা ব্রাতদি কাইহান্নংদে।

লমচৎ

অফবা থবক তৌতুনা ফংবা মহৈ, ব্রানা ফুমখ্রবা মহৈ, অমসুং লাইগী নোংদমদগী ফজররুবা শরুচিংববু নত্তবা

অকাইবা লমচৎ অমতনা, লিক্লি থুগাইনগুম মাংহল্লি। মীগী ফজবা লমচৎনা ফজবা লৈতেং তদুস্ন যত্নবা লমচৎনা মাংহন্দুনা অকীবগী শকফম ওইহল্লি। মহৈ হৈবা লৌশিং শিংবা, মরল্ লৈবা, মরম ওকপা মীবু, মীনা থাগৎনৈ চুমই, তৌইগুম্বসুং মখোইবু থাজরমদাইগী মমা দা করিগুম্বা অমতং য়েংই—লমচৎ করম তেইই? মচংনা মহৎকদবদি, মহৈ হৈদুনসু চৎনদে, ইনাকথুন্দুনসু কান্নদে, মশক ফজদুনসু পান্নদে। অকবা লমচৎপু লৈত্রবদি মংদা য়োনা কনাসু উনানংদে।

নিপা মচা অপিশক অমনা লৈকোন্দা চংদুনা লৈবা উরদুনা অহল অমনা হাই, নমাংদা নিংথিজনা শাৎলিবা লৈ অদু কনাসু উদ্রিবৈ অসিদা ফুরিৎখাও থন্না হেক্তুনা পুখিহৈদে? অদু তারবদা নহা অদুনা থুমই, ঐবু ঐনা উরি, অদুনা ইথুৎনা হেক্লগা ইমিৎনা উগদৌরি অদুনদি, ঐবু উবা মী য়াম্না নক্লা লৈ, অমহিকসুং ঐনা নত্তবা থবক্তা ইথুৎ থিংজিন্দুনা ঐনা উবসি ঐ মহৌশানা পামদে অমসুং তৌনিংদে। য়েংউ মশা মতোমদনা মপুক্লিং ভাক্তুনা, মতোমদবু ইকাই খুম্নবা ভাকপা ভম্বা, অমসুং পুক্লিং ব্রারকপা ভম্বা হাইবা অসি কয়া নিংথিজরিবা! অহিং সুংথিল্ মিকুপ খুদিং থোং শংবা অনি অসিনা অব্রাবা তাহন্দনা মীগী লমচৎপু ভাক্পিরি।

ইরৈপাক্কী মরুপ খিবিক্পু হাইজে, হকচাং স্বুবা, খুৎশা হৈবা, ফীজেৎ স্বুবা, তুখোং লংবা অমসুং মীগী মতৌ তম্বা অসি পুম্নমক্ মীরৈপাক্ মচানা ঐখোইবু করিসু হেনবা নত্তে। মাদুদা ঐখোইগী অরাৎপা অমা লৈরে—ফজবা লমচৎ। লমচৎ অসি ব্রাৎপনা হৌজিক্ অসিদা ঐখোইনা কয়া লৈখা তাখ্রবা! করম তৌরগা অফবা মচৎকী ইকাইখুম্নববু ভাক্তুনা, অমুক্তং লৈখাদগী কোক্ কাংথত্তুনা হোৌগৎনবা লম্বি য়েংবিউ।

অতনবা।

লাইরনবা, নংননবা, হানননবা, লাইবক্ থীননববু অতনবনা ইন্শিল্লি। তল্লবদি মথক্তা হাইবিবা অসি খবদি শোইদ্রে। হকচাং তনববুদি পুক্নিং তনবনা হেন্না মাংননবগী মশক্কি, তল্লবা পুক্নিং অদু ইচেল্ লৈত্রবা, ফত্তবা হাশংগুম্বনা ইচেল্ লৈবা হাশং অদু ওন্থোক ওন্থোকপা ফত্তবা ফত্তবা হাশিংগা নাপি, অমসুং তাংখৎপা হাশিং অদুবু মাংহল্লি। অদুগুমদুনা তল্লবা পুক্নিং অদুদা নত্তবা নত্তবা তুক্কচরবা শাখস্তা খন্দুনা পুক্নিংবু মকহল্লে, অমসুং লৈখা তাগদবা লম্বিরোমদা মাই ওন্শিনহল্লি।

অৱাংবা চিংদোন্লোম্দা কানিংদবগুম্না ৱাগদবা থবক্তা কনাসু শুনিংদে। ৱাহৌদনা লোইবা থবক্তা হোৎনদুনা লৈবা মী অদু অবনবা থবক অমা মথক্তা তাররবদা মহাক শুফম থংদ্রে; মাগী লাংশং পুম্নমক মাংখদুনা থাহগী মতুং থংলে।

শনাগুম্বা মী অমনা তৌববা থবক অদুবু হেন্না ফনা তৌবা মতিক ওই হাইনা উববা, মাদু তৌদানা লৈরিবা মী অদুবু অতনবা তৌদবা থাদে। কারনা হাইববু ফনা শুগদবা মানা ফত্তনা শুত্নুনা লৈরে অদুনা মাগী মশা অদু অরেম্বদা ফংণমদ্রবা মতম্দু মাংহল্ল হাইনা খবনা মতিক ওই।

অতনবনা হবচাংগী খোং পুম্নমক হাংদোকপিদুনা মসুং অদুদা ছুরান্বা, নমজানবা, মীহাৎপনাচিংবা চাংখিত্নুনা মাগী পুক্নিংগী নিংথিজরবা য়াইনাচিংবা হুদুনা পুথি; হকচাংবু উকংগা মান্নবা থনমই।

অয়ান্বা নত্তবা থবক্তা তাইংপানববু ৱাথোকহন্দুনা ৱা য়ামহৈবা অসি, অতনবদগী থোকখিবা ডাক্তনি। ভস্বা মখে অতনববু থুনা থাদোক্লবা হোৎনগনি। কদোংদেসু অতনববু য়োকফদে। ঐখোইগী লৈপাক্কী মীনা অতে পুম্নমক পামদ্রবসু

অতনবা অসিতদি নিংথিনা পামখ্রে। করিম্ব য়ারুতুনা মহৈ চাবা, অমসুং ইশা সুংঙাইতুনা করম তৌতুনা মুপী নহাগী মপান মাঙ্খ্রিদগে হাইবা আসতা মরূ ওইবা লাইরা ওইনৈ। মনিং তৈবা, মশানা পুতুনা পানবা, ইকাইবা, ইকাইখুম্নবা অসিনচিংবা ফম্থোকখিতুনা অয়ুক সুমিদাং অচৌবা মীগী থোংজিল্ চংতুনা মীনাই ওইবতা হৈনখ্রে।

তনবা হেক হৌরকপদা মাবু নমথেক্নুনা থবক পাইবা ভমত্রবদি মভুং অতুদা মানা থরা থরা পুশিল্লকপবু, মাদু হাইদোক্নুনা লেংবা ভমদে। চুমথাং নমথিবী মপাল্ অমতা ভাইরিভৈদদি খুজিমম্ব ফুকতোকপা য়াই, শুমাং থম্না হৌখ্রবদি, মাদু ফুকতোকপা অয়াইবা থবক নত্রে; লিল্ মরূম ওইরিভৈরা খুগাইতুনা হাৎপা লাই; মরূমদগা থাইথিতুনা লিল্ ওইখ্রবদি, মাদু হাৎপা ফনা য়াইচিনখ্রে। মরম আসনা তনবা হেক হৌরকপদা মাবু নমথেক্নুনা থবক্তা খুৎনা পাইয।

শাওবা।

অয়ানবা থবক পুম্নমক্কী মকোকপু অশাওবনা ওই। মতম কুইনা তার্নশিনখ্রবা, অকবা থবক্কী মহৈ অশাওবনা মিকুপ অমদা পুম্মাং ওইনা মাংহল্লি। অচৌ অচৌবা কৈপাক্কী নিংথৌরেন্দগী হৌতুনা মীনাই কুঙ্গা পানবা ফাওবা লান তৌনতুনা লেপ্পাক কাইরিবা থৎনতুনা মতু মচা থাইনারবা, অশাওবগী ওাক্কি। শাওবগা শারে হাইবা অনাবগা থাম্মে। শারৈ হৌরগা মা অদু করিম্ব থংবা কৈথত্রে। অদুগুমতুনা শাওরে হাইরগা পাইরি, অহলু লম্নি, তোবা য়াবা থর্নক্র, ভোবা য়াথা অবক [illegible] হাইবা থংখত্রে। মরম অসিনা য়াম্না শাওরে [illegible]

অমা বা ঙাক্তনি, শাওবমদাইদা অমা অনি হাইতুনা চামরক হন্না মশিং থীবা, অমসুং খোংকম অহুম হন্দোক্তুনা কয়র শাওশিগে খনবত্রা মতিক ওই।

ইমাংদা ঐ খংনা করিগুম্বা অরানবা থবক অমা কনাগুম্বনা তৌবগা হেক শাওবা পোকই। শাওরিবদা মিংশেলদা অশাওবগী মশক অমা উহল্লবদি মশক খংই; শাও মক তোক্তুনা নোক্লিংবা পোকই। অশাওবগী মওংগা অকৌবগা মওংগা মাইয়ে। মৈ চাকপা লোইখ্রগা মতু দা উং ঙাক লৈহৌবগা অহুমুহুনা অশাওবা অতু কোক্থুগা মতুং অহুদা পুক্নিং অশাবন্না ঙাইহৌই অয়ল, অঙাং, অমসুং অশোনবগী মথক্তা অশাওবা অসি তোংগনি। মরম অসিনা অহল্ ওইরবা, অমসুং নহা ওইরিবস হাইবা, শোল্লক্লবা মা হাইবতনা থুনা থুনা শাওগনি। অশাওবা অসি অহানবদা মীবু মাংহনগে হোৎনৈ, তুম্ইগুম্বসুং মীগী অমাংবগা লোইননা মাগী থম্মোইবু চাকহন্দুনা মপুনশি মরেং তাহল্লি। অশাওবনা নোংপোক থোংদা চংলক্লগা লৌশিং লৌকবা পুম্নমক নোংচুপ থোংদা মথং মথং চেনখিহুনা থম্মোইগী মসুংদা অশাওবা অতুনা মনিং তৌহুনা মী অতুবু নৈথা তাহল্লি। শাওরক্লবদা মরুপশিংনা থেমজিনবা য়াবা, অশাওববু তুক্চবা, মমাংদৈদা হাইখিবা চামরক হন্না মশিং থীবা, শাওবা হাইবা অসি অমাংবগী মশক্নি হাইবা অসি খিবিক খনবতনা অশাওবগা হিদাক ওইরে।

'মথং মনাও পরেং নাইবা'।

থবক হাইবা অসি মাগা পরেং অতু মথং মনাও নাইহ্রবদি, পুং অমতদা লোইগদবা থবক অতু, মচানি চংহুমহু লোইবা ঙমদে। তৌগদবা থবক অতু মমাংগী পুন্সিদা পিলুনা পাংথোক

ঙাইনা থমহুনা, শুগদবা মুমিত্তা মাহু শুবা হেক হৌরকপদা, থবক অহু খাইংবাক চপে থংনগনি। মুমগী চাননবা পোংচি, শেংনা ইম্নবা কী, থবক শুননবা খুজু খুংলাই, লাইরিকী থবক চে, কলম, কাঁনি, চেনপ, মরু। মপাংনা পিরকপা লাইরিক (চিঠি) অসি নত্তবা অরু অমবা লাইরিক, অমসুং হিপ্না ফম্নবা চৌকি, ফক অসিনচিংবা খিবিকপু মফম খংনা নিংথিম্না তরু তরুনা থমগনি। ঐনা শুহুনা ৬মগদবা থবক অহু মীওোন্দা লৌতাম্নবা হৌনদে। থবক্কী মথং মনাও শিনবা অসি মতম করম্বদা, করম্বা থবক্কা কয়া কুইনা চংগদগে, করম্বা থবক্কা খাম্না শুহুনা করম্বা থবক্কা কোম্না শুগদগে, মাহু উপুন্দা পোং লীবগুম মথং মনাও নাইনা শিন্দুনা থমগনি। খুঙ্গীনা খোংদা, নাইম্না নাচেন্দা শিরবনি, মুপী অহু নিংথিবা হাইগদবু অহাইনা থিরে। অহু শুনহুনা ফমু, মথক্ত পুঙ্গাই, লাইরিক ইকমদা শল থৌরাং থম্নবদি, থবক অহু করিস্থ কজবা অমসুং পাংবা লৈত্রে। মশানা পথাপ নাইহুনা থবক্ পুম্নমক মতম চানা মথং মনাও নাইনা লোইবা ভম্বা থবক শিন্বা হৈবা মী অহু, অতিয়াদা মফম পরেং কাইদনা মতম নাইনা থোকপা থরাম্নিসাক্কী পাদম্নে। মহাক্কী থবক নিংথিনা লোইবা ঙমই, লৈপাক পুম্বনক্কা মাবু থাগংলৈ ; মফম খুদিংদা মহাকপু যাম্নে। মতম লৈবা খিবিক্কা থবক্কী মথং মনাও মতম চানা লোইননবা হোৎনবনা মতিক ওই।

থবক অকুপ্পা।

খাং চাওখ্রবা উপুগী চিং লৈত্তাই মকুপ মকুপা পৈথখি বনি, থরাম্বিসাক মকুপ মকুপা নিংথৌ তুমেল ওইখি বনি, ইশিং লৈরিক

মচা মচানা পুনশিন্‌খিদুনা মপাল নাইত্রবা সংক্রু ওইখ্রিবনি। মরম অসিনা থবক অপিশবপু উশিন্তদুনা থৌ শাদনা হোৎনল হয়েং মতৌগনি হাইদুনা থম্বা তৌগন্নু।

বেরানী অমনা চিঠি মচা অমদং লাইরিক্তা নপহোৎদুনা চিঠি অদু মাংখিদুনা মফম তাখি; সেনাপতি অমনা শগোল পুন্নিদা কাটা মচা অমদং হাপহৌদদুনা লান্দা শগোন্দগী তাদ্রদুনা মথন্নাই মাংখি, অমসুং মহাক্কী সিপাই তেঙ্গোল অদুমা য়েন্নবনা ডমদুনা পুম্ফা ওইনা কাখি।

থবক অপিশক্কি হাইদুনা হন্দুনা তৌহোত্রে হাইরগা, মথং মথং থবক মচা মন্নাম লাক্তুনা ময়াম তিনখিদুনা অচৌবা থবক ওইরক্তুনা, মতুং অদুদা মতোমদা তৌবা ঙমদে। কী য়াম্না শেগাইদ্রিবৈদা রেস্তুন্না অমুক থিনবদা হেক মলোই; মন্নাক থুংনা শগাইখ্রবদি, নোংমা চংনা যোক্তুনসু লোইবা ঙম্‌দে। মৈরিক অপিশক তমতনা মৈ বয়া থোকই। বক্‌চেং মথুলু অমতদা ইশিং চংদুনা চাওরবা হি লৈখা তানা লুপখি।

মরম অসিনা, থোন্না থোন্নবা থবক অদু মচা হৈতে, অচৌবা নাইদে, থুদক অদুদা মতম চানা হেক লোইনা শুবনা মতিক ওই; থবক হাইবা অসি ময়াম তিনখ্রবদা শুনিংবা কনাসু য়াওদে।

নোম্বা।

নোম্ববু তম্লবদি মহৈ হৈসন্নু, পাঙ্গল লম্বসু, করিসু কাম্নবা হাবা লৈত্রে। কনাগুম্বা য়াইকৈ শুংতাইরি অচৌবা কারি হাইরিবা অদু, মপুক্কিংনা ওইরবসু, নোমন্নুনবু ওইরবসু, অতংপা লৈতনা য়াম্বা বম্বা নোমখিবহেনা অমুক থৌখিদ্রবনি। নোম্বা হাইবা অসি মাহৌশাগী লংথোকপা য়াম্বনা শামজ্রি। নোম্বা মখল অনি ওই; হকচাংনা নোম্বা, পুক্কিনা নোম্বা। মসি ইনাকখুন্নাবী

লাংল্লবা থ্বাইমক্তা চপমান্না চংই। নোমত্রবদি মীগী মশা অসি ওন্নক্তুনা ওঙ্খোক ওংখোকপা অনাবা চংলকই। নোঙ্মা হাইবা অসি য়াইকদুনা অচৌবা বানবগী থোং হাংদোকপি, মরম অসিনা বনাশুদুনা য়াইথদুনা অচৌবা কাগে হাইনা নিংলবা অদু, কম্না নোঙ্মবু নশুনা ভৌনিংঙাই লৈবা নত্তে।

মানা ওন্নবদি ঐগ্নু ওমগনি; মীনা ওমথ্রবা থবক মীনা শোইদনা ওমই অদুনদি, ঐগ্নু শোইদনা ওমগনি। নোঙ্মা হাইবা অসিনা মীবু ওঙ্খোক্লা তৌওমদ্রবা থবক ওমহল্লি। য়েংউ, নোঙ্মা হাইবা অসিনা কম্না মরুম অওকপা থংক্তা নোঙ্মগী পাঙ্গল অমসুং মতিক থংহল্লিবা! সমক্র ময়াইদা চংলিবা চাওরে হাইবা মৈহি, লৈপাক পুম্নমক শিনবা থুংনা য়াংনা চংলিবা মৈগী গাড়ী, মিশর লৈপাকী পিরামিড, অমসুং বাবিলোনগী অভিয়াদা শাবা লৈগী ইংখোল, অমসুং টেমস হাইবা বিলাতকী তুরেলগী লৈমুংদা হন্দুনা চাওরে হাইবা লমজাও শেমখ্রবা অসি খিবিক মীনা তৌই হাইবদা থাজখিদ্রবা থবক পুম্নমক অসি মীনা নোঙ্মা মথল অনি অদুগী মতুংদা চারবা মহৈনি।

মতিক ওইনা নোঙ্ম হাইরগা চাবা হাওই, তুম্বা মুংঙাই, হকচাং নাজে, তুংদা মুংঙাইনা পানবা ওমই, মরম লৈবা খিবিক্তা নোঙ্মনা মতিক ওই।

ধর্ম্ম।

ধর্ম্ম লৈরবা মী তুম্না মাংই। মরম লৈবা থিবিক্তা মীবু ধর্ম্মনা ঙাকপি। শিরে হাইবগা মরুপ্না লৈপাক্তা পোৎলোই-রাংদুনা করোক্তুনা চংখ। ধর্ম্মদি আনবা অদুগা লোইননা চংখ, কদোইরমনা থাদোকক্তা হাইনা লাইশিঙ্গা হাইরি।

[illegible] শংপাল্বদা লৈবা মাইরবা, অনংবা, অংশানবা, অদুবা

অাস পুরাবকপু চপমান্নবা চাম্বিরবা, অমনা অমবু ভাখিদুনা বলকখ্রবী, মিহৌদুনা মগী মপোৎ পাম্নত্রক, হুরাম্নত্রবা, মীগী মপোৎ মুন্দুনা লৌনত্রবা, অমম্সুং লৌনম ভৌদুনা মাগী যননবত্তা কোৎনত্রবা, অদুগা মীনম্বা, লৌনম হৌদুনা অশাঙ্বনা খুদুম চন্দুনা নত্তবা লম্চৎ চৎনত্রবা, অমম্সুং থোইদোক্না অপাবগী মশক লাল হাইবা অদু তৌনদদুনা লৈপাক্তা ঈ তাত্রবা, অদু ওইরবদি, তাইবংপানবা অসি, কয়া সুংতাইফম ওইগনবা। লৈপাক পুম্নমক্না সুংতাইরে হাইদুনা থাগৎনগদবনি। অমুম ওইবা থবক অসি মশা মশানা ওইহনগে থোকহনগে হায়না চাক্তনি।

মপু নিংবা।

য়েংউ, শা মখোং মরি পানবা হুইনা মপু কয়া নিংথিনা নিংইবা! হুই কোঞ্চনবা নাইদে, থাপ্না কোইরুম্নবস্ত ময়ুমদা মতম খংনা শোইদনা হল্লক্নুনা মপুগী য়ুম অদু মথক্তাই য়াওনা শংলে। মপুগী য়ুমদা হংনদবা অনৌবা মী, অমসুং শল্ হয়োইনচিংবা শা চংলক্লগা চহলোইদবগী কম্না হোৎনৈ।

নিংথনা তম্লিন্নবদি, হুইবু পাও চৎনবা য়াই। ইমাকপুনবা নিপা অমগী হুই অমা লৈরমই, হুই অত্ত সুমিৎ খুদিংগী হেক লোংঙানবগা মণ্ডক্তা ডাক খাও অমা য়ান্দুনা ভাকী লোইশংদা কাখিদুনা, লোইশংগী থোংজিন্দা ফমদুনা হেক মলৈরমই। লোইশংগী মপু অদুনা কন্নিঙ্ঘা চিঠিনাইবা লাইরিক থম্না হাপ্লিত্রবা মথে, অদুগা তাইদুনা লৈ। লাইরিক অদু হেক হাঙলগা ময়ুম য়েংনবা ক্রেন্দুনা চংখি। মালি মাগী সুমিৎ খুদিংগী থবক ওইখ্রে; কন্নিঙ্ঘা অমত্তা লম্পাকদা হুই অমুবু য়েঙাইনা থিনপাইবা য়াদে।

নোংমদি হুই অমুনা লোইশংদগী লাকপদা চমুখাংদা শামানুবা হাওনা হুই অমুবু কৈনিংল মরক্তা কয়গী শা অইরবোই নিংদুনা, ভানা থিক্লক্তুনা হাৎলে। হুই অদু শিরমদোইদা কায়রম্ভু তৌনিংঙাই চেৎতুনা মথুমলোমদা চমাই খন্দুনা য়াম্না থোংচল্লে হাইরগা, চঙুং অমুদা খাও অদু ময়ানা চিক্তুনা শিখ্রে। মরম অসিনা হুইদগী মপু নিংবা তক্নিংঙাই লৈ।

শক্লা চৎনদে, মগুল্লা চৎলৈ।

কুকিল্না কাক্পু হেম্না ফজবা নত্তে; মশা চাওবা মরেপ য়াংবা মচু লংনা নিংথিজবা, কুকিল্দগী কাব্না য়েক্নি। তৌই-চুম্লগুং কাব্পু য়েংনিংদে, য়াকী চম্চৎ যজদে, চিঙাক ফত্তে; মীগী মথুজ্জগী পোৎ য়োক্না লাক্নুনা চাই, অচাপোৎ অংতা চৎইনা খন্না য়াদে; মীগী মশম খোই, অচাংগী মকোক্তা থুংহৎলি; অয়ুক মুপিদাং নাইদনা মুঙিৎ চুম্না খোই। অসিনা মহাক্পু মশাক কজে হাইদুনবু নিংথিজে হাইনদে।

কুকিল্দি কুথ্ চুম্না লোৎলুরে হাইরগা উ, য়া, নাপিনচিংবা মিথক্লা অনৌ অকোবা মরোল হল্লকপা মতম ময়ক্ত মতু খুম্নরবদা, লোনত্তনা অহিং মিচিক মীখোল চুপ্তবা মতেক খুঙ খুঙ অইতুনা লোৎলে। অয়ুক মুমিদাং মঁখু ওত্তে, মতুম অয়ুম্দ ময়ক মীয়ম্বা মুখকলেমু কাইজ, মুশি হাইদুনা লোৎলে। অমাক অসিনা মতম ফৌবা মিখিক্তা মীবু ওৎকন্দু।

কাম্নবা ৱা।

মীনা তৌবিমল অহিং সুংথিল কাওগনু।
নংগী পিজ্রমল কদৌইদম্ব থৌরুগনু॥
ঐগা ইত্তেং মীনা পা বিবা সুংদা খোংহৌ—
ঐনা মীগী মতং পাংলুবা ইশিংনা ইহৌ॥
মীগী মপোং ৱাইরোই হাইনা নপুক্তা নিংঙৌ।
মীনা নংঙোন্দগী পোং বাইরবা অত্থ পামঙৌ॥
মীগী মানবা তৌরগা নংগানা হান্না মাংগনি।
মীগী ফনবা তৌরগা নংগীনা হান্না ফগনি॥
মাগী মপুক্কী ৱা থংলগা অশিংবা চিংই।
ঐগী ৱাতা ঙাংলগা অঙাওবদা তাই॥
ঐগী কান্নবা ৱানা মাংওংনরগা ৱা কাইনৈ।
মীগী ৱা হান্না হাইবিরগা ঐগী ৱানা ৱারোইনে।
মীবু ভুম্বা ঙাক্তা তাল্লগা ৱাতেনবা ভুমদে।
ঐনা লাল্লে হাইরগা ৱা শাংদে॥
মীবু তাকপিবা ভুম্বগা অহৈবা কৌই।
তাকপিবা ভুমদ্রগা অহৈবসু থংদবা চিংই॥
ভুমিন্না নৈমল্লবসু অপংবা মালুই।
খারা ৱাংমল্লবসু চিম্থিবা থোকই॥
অশিংবা মীনা ৱাথল তৌদুনা ভুমিন্না নৈগল্লি
অপংবশিংনা ৱাথল তৌদনা য়ান্না ঙাংগল্লি॥
ঙাম্মাইদবা থবক্তা কদৌইদম্ব ঙৌরুগনু।
তৌরবা থবক্তা মহৈ চাদনা থাদোকনু॥
কীরবা থবক কদৌদৈ শোককদে।
তৌরবা থবক কী হাইদুনম্ব হনকদে॥
মীগী কান্নবা তৌরগা মতুংদা পুক্কিং পুংঙাই

শ্রীইঙ্গোচৌবী অনিগুরকপগা তন্নবা লাইরিক।

মীগী মাংখনবা তৌরগা মতুংদা থ'াই হাই ॥
পুক্নিং শুংঙাইরগা পুনশি চাওখংলি ।
থবাই হারগা পুনশি ময়েং তাই ॥
মীগী মপাল চাবগা থবাই শুংঙাইতে ।
ঐগী ইশান চাহল্লগা অব্রাব পোক্তে ॥
মীনা শুংঙাইতবা ব্রা হাইগনু ।
নংনা নিংবা মপুবু থক কাওগনু ॥

চাবদা অহাওবা খলগনু ।
শুবদা অহোবা নাইগনু ॥
চংশদা লমজাইবা তম্মু ।
খংনবা উরগা থাম্মু ॥
ব্রা ভাংবদা মরৈ য়েংকনু ।
অকাম্বা ব্রাহ্ম য়াগনু ॥
মথং তম্বদা অতনবা থাদোকউ ।
লাইরিক ইবদা শৈহনগনু ॥
অনৌ অনৌবা পোৎ পামকদে ।
অরি অরিবা পোৎ হন্দোকয়দে ॥
হাইশিখিবা ব্রা কাওকদে ।
ভাংশিখিবা ব্রা মথুকদে ॥
ছি অনি তোংবা য়াদে ।
ব্রা অনি ভাংবা চুমদে ॥
চানিংবা য়াম্না হংঙাইবনি ।
পুন্নিবা মুক্না য়াংবনি ॥
লৈমিন্নবিবা মীনা খঙনগনু ।

লাকমিন্নবা মীস্থ কাইনগনু ॥
কন্তবা মংরুপ থাদোকউ।
ফজবা লমচৎ তমউ ॥
মীবু লাকচবা থিগনু।
অহমা হাইবা শাওগনু ॥



লোইরবা।

MANIPUR EDUCATION CODE

1982



MANIPUR [illegible] [illegible]

[illegible]

